HUEIYEN LANPAO

অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# অহানবা মেচতা মাইচোন এফ সী-এ চরাংপাৎনা এন ঈ এস এ নোংপোক সেকমাইবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর ইমাগী চাংদম্নফম ওইবা মচাশিং (মাইচোন) চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়না শীন্দুনা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়গী পোলোগ্রাউন্দদা অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেচতা মাইচোন এফ সী -এ চরাংপাৎনা এন ঈ এস এ নোংপোক সেকমাইবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।



টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা গ্রুপ কয়া থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা লৈমা থ্রিফ্ট এন্দ ক্রেদিট কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী সী ঈ ও লৈতান্থেম জিবনলতা, সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম প্রেমনাথ, সোসল ৱার্কর ওইনাম জিটেন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি গ্রুপ এগী এন ঈ এস এ নোংপোক সেকমাই অমসুং মাইনোচ এফ সী-এ চরাংপাৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা মিনটতা মাইচোন এফ সী -এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৬ জেকসন্না অঙনবা মতমদা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মহাক্কী টিম্না মেচ অদু পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মিনট অহুম কান্নরগা এন ঈ এস এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ ৱাই রোবিনসন্না মাইচোন এফ সী -এগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল অমমমদা লৈনখি।

অহেনবা পাঞ্জলশিং চন্নবগীদমক মায়কৈ অনীদগী এটেক কয়া চখনরকপা হৌরকখি। মেচকী ১৮শুবা অমদি ১৯শুবা মিনটতা মাইচোন এফ সী-এগী শান্নরোয় জেকসন্না পাঞ্জল অনী থংন-থংননা চনশিন্দুনা হেটট্রিক লৌরগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মাইচোন এফ সী-এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ য়োইহেনবনা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু অমুক পাঞ্জল ৪-১দা লৈখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এন ঈ এস এগী মায়কৈদগী মাইচোন এফ সী-এগী মাঙজিল থারিবা অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা এস ঈ এস এগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফতা মাইচোন এফ সী-এনা লাকশিন্দুনা শান্নরবসু মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক মাইচোন এফ সী-এবু এন ঈ এস এনা অমুক লাকশিন্দুনা শান্নবা উখি। মেচকী ৩৩শুবা মিনটতা এন ঈ এস এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৩ এন সুসিদাসনা মাইচোন এফ সী-এগী পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা মেচ অদু এন ঈ এস এনা পাঞ্জল ২-৪দা লৈখি। মাইচোনগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ এস মেক্সনা মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা মহাক্কী টিমগী মঙাশুবা পাঞ্জল চনখি।

এন ঈ এস এগী শান্নরোয় এস সুসিদাসনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু এন ঈ এস এনা পাঞ্জল ৩-৫দা অমুক লৈহনখি। মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা এন ঈ এস এগী শান্নরোয় ৱাই রোবিনসন্না মাইচোন এফ সী -এগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু এন ঈ এস এনা পাঞ্জল ৪-৫দা লৈখি। মাইচোন এফ সী-এগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এন ঈ এস এগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মাইচোন এফ সী-এনা পাঞ্জল ৫-৪দা মায় পাকখি।

অহানবা মাইচোন ত্রোফি সভেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী বোলেরো এফ সী শিংজমৈ অমসুং এস এফ সী অংথা শান্নগনি। অদুগা লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা গ্রুপ সীগী তোলহৈ এফ সী তেন্থা অমসুং য়াম্বেম এফ সী য়াম্বেম নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা শান্নগনি হায়রি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱাই দি সী লফুপাৎ তেরা অমসুং এম পি এস সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএনএস)ঃ

অরোং খুঞ্জাও কাংজৈবুং দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ কে কে দি সী) না শীন্দুনা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা ককচীং পোষ্ট ওফিস, ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবদা লৈবা অরোং খুঞ্জাওনা শীন্দুনা কম্মিটি অসিগী কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ৱাই দি সী লফুপাৎ তেরা অমসুং এম পি এস সী মণিপুর পুলিস মায় পাকখ্রে।

টিম মঙানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি সী লফুপাৎ তেরা অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহানবা সেট হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা সেট অমদি অনীশুবা সেট ফাওবদা ৱাই দি সীগী মায়কৈদগী এন ৱাই ভি এবু লাকশিন্দুনা শান্নবা উখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা ৱাই দি সীনা এন ৱাই ভি এবু সেট ৩-২ (২৫-১৭, ২৬-২৪, ২০-২৫, ১৭-২৫, ১৫-১৩দা মায়থীবা পীখি।

লীগ রাউন্দগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা আই জি ও ওইনাম অমসুং এম পি এস সী মণিপুর পুলিস লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট হৌবদগী লোইবা ফাওবদা এম পি এস সীনা আই জি ওবু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা মেচঅদু এম পি এস সীনা ৩-০ (২৫-২৩, ২৫-১০) দা মায় পাকখি।

২শুবা গভর্ণরস ত্রোফি ষ্টেট লেভেল মুক্না কাংজৈ টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ

ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন (এ এম এম কে) গী মীৎয়েং মখাদা ক্রীদা ভারতি মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা গভর্ণরস ত্রোফি ষ্টেট লেভেল মুক্না কাংজৈ টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

লমদম অসিগী ইপা ইপু হাত্তক্তগী শাগোন্নদুনা লাক্লিবা মুক্না কাংজৈ মশান্না অসিদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অনীশুবা গভর্ণরস ত্রোফি ষ্টেট লেভেল মুক্না কাংজৈ টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলা, সাইগী হান্নগী চীফ কোচসু ওইরম্বদা নত্তনা ক্রিদা ভারতি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট বি বিমোলা অমসুং সেভা ভারতি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এ ব্রজকুমার শর্ম্মনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ষ্টেট লেভেল মুক্না কাংজৈ টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লম্বা তৌনখি। চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক মায়কৈ অনীদগী অকনবা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ৯-৩দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এ স্কার পাৎশোইনা য়ু এফ সী উৎলৌবু পাঞ্জল ৭-৪দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পার্ট থ্রীদা লৈবা পাৎশোই টুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী) না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তনা চখরকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চখরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এ স্কার পাৎশোইনা য়ু এফ সী উৎলৌবু পাঞ্জল ৭-৪দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম ২১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা য়ু এফ সী উৎলৌ অমসুং এ স্কার পাৎশোই লম্বা তৌনখি।



সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক টিম অনীনা মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ হৌরকপদগী হৌনা মায় পাক্নবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ১৩শুবা মিনটতা এ স্কার পাৎশোইগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ গোপিনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু এ স্কার পাৎশোইনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

এ স্কার পাৎশোইগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জলশিং চন্নবগীদমক য়ু এফ সীগী মায়কৈদা এটেক কয়া চখরকখি। মেচকী ১৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ চাউবনা অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু এ স্কার পাৎশোইনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। য়ু এফ সীগী মায়কৈদগীসু এ স্কার পাৎশোইনা মাঙজিল থারিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ১৬শুবা মিনটতা য়ু এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ এল জেক্সননা এ স্কার পাৎশোইগী মাঙজিল থারিবা অহানবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু য়ু এফ সীনা পাঞ্জল ১-২দা লৈখি। এ স্কারগী মাঙজিল থারিবা অতোপ্পা পাঞ্জল অদুসু য়ু এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোক্নবা এটেক মথং-মথং চঙশিল্লকখি।

মেচকী ২২শুবা মিনটতা টিম অসিগী মায়কৈদগী ফজরবা এটেক অমা শান্নরোয় এল জেক্সন্না পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি। মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জলশিং চন্নবা এটেক কয়া চখনরকপা হৌনরকখি। মেচকী ২৪শুবা অমদি ২৫শুবা মিনটতা এ স্কার পাৎশোইগী শান্নরোয় গোপিনা পাঞ্জল অনী থংনা থংননা চননিশল্লগা হেটট্রিক লৌদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এ স্কার পাৎশোইনা পাঞ্জল ৪-২দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা য়ু এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা এ স্কারনা অহানবা হাফতা মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোক্নবা য়াঙনা শান্নরকপা হৌরকখি। মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা য়ু এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ এল গোবিন্না মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৪১শুবা মিনটতা অমুক য়ু এফ সীগী শান্নরোয় এল জেক্সন্না মহাক্কী অহুমশুবা অমদি টিমগী মরিশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা হেটট্রিক লৌদুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ৪-৪দা অমুক লৈখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্তবা য়াদে মতাগুম এ স্কার পাৎশোইগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা এটেক মথং মথং চঙশিল্লকখি। এ স্কারগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ ইমরাননা মেচকী ৪৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনশিল্লবা মতুং মেচকী ৪৬শুবা অমদি ৪৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় গোপিনা পাঞ্জল অনী থংনা থংননা চনশিল্লগা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এ স্কার পাৎশোইনা য়ু এফ সী উৎলৌবু পাঞ্জল ৭-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

৬শুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# গ্রুপ এগী পোইন্ট টেল্লিদা বি এস য়ু-এ পোইন্ট ৬ ফংলগা অহানবা, এন ৱাই সী-বিনা পোইন্ট ৩ ফংলগা ২শুবা তাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক ককচীংদা লৈবা দি ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ইবুধৌ খল্লাংবা লম্পাক্তা তরুকশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী গ্রুপ এগী পোইন্ট টেল্লিদা বি এস য়ু-এ পোইন্ট ৬ ফংলগা অহানবা, এন ৱাই সী-বিনা পোইন্ট ৩ ফংলগা ২শুবা তাখ্রে।



টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ তরেৎ থোক্লা খাইদোক্তুনা চখরিবা তরুকশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী বি এস য়ু -বি নোংপোক ককচীং অমসুং সোপলেং এফ সী সোপলেং লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা মায়কৈ অনীদগী মায় পাক্নবা এটেক কয়া চখরকখি। মেচ অদুগী অহানবা মিনটতা বি এস য়ু -বিগী মায়কৈদগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ এন প্রিয়ান্দনা অহানবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা বি এস য়ু -বিনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

সোপলেং এফ সীগী মায়কৈদগীসু বি এস য়ু-বিনা মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চখরকখি। মেচকী ৯শুবা মিনটতা সোপলেং এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ চোন জাজোনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

লীগ রাউন্দগী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.১৫ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী ফাইব ব্রর্দরস তখেল অমসুং ৱাই এস দল্লিয়ু সী সাবুংখোক শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদগী মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা ফাইব ষ্টারগী শান্নরোয়শিংনা ৱাই এস দল্লিয়ু সীবু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৬শুবা মিনটতা ফাইব ব্রদরসকী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৪ হেরোজিৎনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্দ হাংদোক্তুনা মেচ অদু ফাইব ব্রদরসনা পাঞ্জল ১-০দা লৈখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ১৬শুবা মিনটতা অমুক ফাইব ব্রদরসকী শান্নরোয় হেরোজিৎনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু ফাইব ব্রদরসনা পাঞ্জল ২-০দা লৈবদা নত্তনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা ৱাই এস দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী ফাইব ব্রদরসনা মাঙজিল থারিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

লীগ রাউন্দগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই এফ সী হুইকপ অমসুং ও এন ৱাই সী ওকসু নিংথেমচা খুল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু ৱাই এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। লীগ রাউন্দগী ১১শুবা মেচতা তেলৌ এফ সীনা এন এফ সী ঙারিয়ানবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখি।

২৩শুবা লসাল স্পোর্টস মীট লেট এন চন্দ্রেশ্বর ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# লনচেনবী এফ সী, দেবিলাল এফ সী, হিয়াই এফ সী অমসুং থোইবা এফ সী মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচএনএস)ঃ

লৈমপোকপম খুনফম অপূনবা শান্নরোয় লূপ (লসাল) না শীন্দুনা লূপ অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা ২৩শুবা লসাল স্পোর্টস মীট (লেট এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল সভেন মেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা লনচেনবী এফ সী তাওবুংখোক, দেবিলাল এফ সী লৈমপোকপম, হিয়াই এফ সী অচানবীগৈ অমসুং থোইবা এফ সী থিয়াম লৈশাংখোং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।



টিম ২৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ২৩শুবা লসাল স্পোর্টস মীট (লেট এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল সভেন মেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ক্যুগী লনচেনবী এফ সী তাওবুংখোক অমসুং মেনহার্ট এফ সী শিংজমৈ শান্নখি।

সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌনবগীদমক টিম অনীনা মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী এটেক কয়া চখনরবসু পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপগা মেচকী ২৭শুবা মিনটতা লনচেনবী এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ সন্তোসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচ অদুগী লোইরমদাই ৪২শুবা মিনটতা মেনহার্ট এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ প্রিয়ানন্দনা লনচেনবী এফ সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী পাঞ্জল ১-১দা টাই ব্রেক তাবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা লনচেনবী এফ সীনা মেনহার্ট এফ সীবু পাঞ্জল ৪-৫দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এসকী সঞ্জেনবম এফ সী খা সঞ্জেনবম অমসুং দেবিলাল এফ সী লৈমপোকপা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা দেবিলাল এফ সীনা লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদু দেবিলাল এফ সীনা পাঞ্জল ৫-৩দা মায় পাকখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা হিয়াই এফ সী অচানবীগৈনা য়াইফ এফ সী নাওরেম্থ পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা থোইবা এফ সী থিয়াম লৈশাংখোংনা এফ সী সভেন এম আর খাবৈশোইবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com